ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO
Sunday, May 20, 2018, Imphal


# মালেমদা ফাওরবা কোমেডিয়ান, চার্লি চাপ্লিনগী মরমদা খঙজিনবা য়াবা খরা


Geraldine Farrar


Charlie Chaplin and Marta Golden in the Film 'Work'

- Edna Purviance নসু চার্লিগী চিঠি ফংবদা অঙকপদা হরাউখ্রে। হরাউমন্দুনা চিঠিদু হল্লকপদা ইরকখি, "It could be nobody else in the world that could have given me so much joy."
- অসুম্নসু হায়রকখি, "নঙগী ৰাহে, নঙগী ৰাখল, নঙগী নুংশি চিঠি মওং অসিনা ঐবু পূমঙাও ঙাওহল্লে।" নুংশিনরিঙৈ মরক্তুদা 'The Tramp' হায়বা ফিল্মদু চয়োল অমগী মনুংদা মখোয়নী পাদুনা নম্মীন্নরে, মায় ফজনা পাকখি। Edna না লৌমী অমগী মচানুপী শাখি। ঙাওশিন্নবা খরগী মখূত্তগী মাবু চার্লিনা কনবনি।
- The Tramp হায়বা ফিল্ম অসিনা চার্লিগী Tramp অমা ওইবগী মশক চপ চাবা উৎখি। লৌমীগী মচানুপীদুগা নুংশিনরল্লবা মতমদা নুপীদুগী হান্নগী মশক ফজবা নুংশিনবা নুপাদু থুংঙরবা মতুংদদি চার্লি নীংবা কায়না, শুকথনা চৎখিবা, ঙসিফাও কাউনদ্রি।
- Edna গা চার্লিগা পাদুনা মথঙগী চহী ৮গী মনুংদা ফজরবা ফিল্ম ৩৫ পুথোকখি। Edna মশক ফজে। Mabel Normand দগী ফাওবা হেন্না ফজে হায়নখি।
- Gene Morgan কৌবা রিপোর্টর অদুনা হায়খি, "চার্লিদি নোক্লিংবগী নোক্লিংবা ঙাক্তনি। মাগী মুরবা মশম্না পাইগনি, মকোই মতেক অমা উগানি, নোকপা খুদিং লেঙবা, টুপি অচৌবা অমা, অপিকপা লীচৈ অমা, মদুসু মানা পায়বদি করিগুম্বদা Baton অমা ওইনা, করিগুম্বদনা কার্পেট কন্থোক্লবা চৈ ওইনা, করিগুম্বদনা নোংথাং অমা। মাগী মখোঙ য়েংলুরবদি মিৎ কুপ্লিংলোই। মাগী খোঙউপ্তু মমিৎ ৫০,০০০,০০০ পানবা উগনি।
- Edna মখোয়নী পাবা মথঙগী ফিল্মদি By the Sea হায়বা অদুনি। নোংমদা নম্বা লোইখি। অদুগী মতুংদি চার্লিনা মাগী মতম শাংনা লৌবা হৌরে। ফিল্ম অমা লোইবদা নুমিৎ ২৭নি ফাওবা চঙহল্লে। Essanay কম্পনিসু ঙাইবা তাখি। ১৯১৫গী এপ্রিল ২৯দা By the Sea ফোঙখিবদুনা জুন ২১ ফাওবা ফিল্ম থোল্লকখিদে।
- মতম চঙবগী মতিক ফজবা হেল্লে। 'Work' হায়বা ফিল্মদু থা ৪ উৎখি। ফিল্মদুদা চার্লিগা মাগী ওজা শারিবা Charles Insley গা য়ুম অমা রং তৈবা লাকপনি। য়ুম্বদুনা Billy Armstrong না শাই, মী পিকই। মাগী নুপীদুনা ঈশৌ লাংবী অমনি। Marta Golden না শাখি।
- মথঙদা A Woman কৌবা ফিল্ম পুথোক্লে। মসিদা চার্লিনা নুপী শাখি। মসিনা মাগী অহুল্লক শুবা অমদি অরোইবা নুপী শাবনি, মাগী পুন্সিদা। মহাও অমা পীখি, চার্লিনা মকোই য়াওদনা, টুপি উপ্তুনা, অরাউবা খোঙ্গ্রাও উপ্তুনা নুপীগী তপ নপ্পী খোঙ্গ্রাও উপ্পদু য়াম্না মানখি। অদুবু Scandinavia দদি ১৯৩০ ফাওবা ফিল্ম অসি বেন তৌখি। Vulgarity য়াম্না য়াওই হায়দুনা।
- ক্রিটিকশিংগী পাউখুম ওইনা মানা মথঙদা 'The Bank' কৌবা ফিল্ম অদু পুথোল্লকখি। মদুদদি মাবু অঙকপদা থাগৎনখি। মাগী 'The Tramp' ফিল্মদা ফংখিবা ঈজৎ অদুমক ফংখি। মদুগী মরমদি মাগা Edna গা নুংশিনরবনিনা অশেংবা নুংশিনবগী ৰারী মানখি।
- চার্লিনা Essanay কম্পনিদা লৈরিঙৈদা 'Life' কৌবা ফিচর ফিল্ম অমা পুথোক্লবা হোৎনখি। অদুবু কোন্নদি তোকথোকখি। চার্লিনা Essanay দা লৈরিঙৈগী অরোইবা ফিল্মদি মশানা ইজবা 'Charlie Chaplin's Burlesque on Carmen' হায়বসিনি।
- নুংঙাইরিবনা অতোপ্পা কাঙবু অমনসু Carmen কৌবা ফিল্ম অমা ১৯১৫গী ওক্টোবরদা পুথোক্লবা হোৎনবা মতাংনি। Cecil B. De Mille না দিরেক্সন পীবা Geraldine Farrar না কুম্বনি। চহী ৩৩ শুরবী Farrar অসি নেকপদা চয়োল ৮দা দোল্লর ২০,০০০ পীরিবনি, কার অমসু, লৈফমসু মীনাই-মীশল, অচা-অথক লোইনা পীবরনি।
- লমজেল তান্নবগুম শোমদনা চার্লিগী Carmen ফিল্মসি ১৯১৫গী দিসেম্বর থাদা পুথোক্লবা শেম শাবা লোইরবনি। অদুবু Essanay না পুথোকখিদে। চার্লিনা তোকখ্রগা রিল ২গী ফিল্মদু শাংদোল্লগা ফিচর ফিল্ম ওইনা পুথোকপনা ফরনি খন্দুনা ফোঙখিদে। চার্লিগী মতুংদা রিল ২ অমগা Comedian Ben Turpin শীজিন্নদুনা নমথখি। চার্লিগী শক্তম্না মাগী হান্না লৌখিবা, খন্দোক্তুনা হান্না হাপখিদবা, সীন খরা হাপচিল্লগা ১৯১৬কী এপ্রিল ২২দা ফোঙলকখি। ফিল্মদু উরুবদা চাপ্লিন নুংঙাইতবনা অনা-লোয়খি। নুমিৎ নীনি ফমুংদা লেনখি।
- চার্লিনা তুমিন্না লৈখিদে। উকিল তানদুনা ১৯১৬কী মে থাদা কোর্টতা কেস তৌখি। Essanay কম্পনিবু মাগী হায়রিবা ফিল্মদু উৎপা থিংবিয়ু হায়খি। অদুবু New York কী Supreme Court কী Justice Hotchkiss না মাগী অপিলদু মরম চাদে হায়দুনা রাই তাখি।

-মথং-মথং

## কোকোনট রাইস করম্না শেমগদগে

**চঙগদবা পোৎচঙ :**

- চেঙ গ্রাম ২৫০
- করী পট্টা খরা
- য়ুবী অমা (পানা শোইরবা)
- তিলহৌ ২ (অশোইবা)
- মোরোক অকংবা তরুক (মকক-মকক কল্লবা)
- মোরোক অতেকপা অনী (মকক-মকক কল্লবা)
- ফদিগোম মনা গ্রাম ৫০ (কূপ্লা শোইরবা)
- থোইদিং মরূ চামচ মখায় অমা
- হৱাই মাইরোংবী চামচ অমা
- অচাথাউ মিলিলিটর ৫০
- থুম খরা






**শেম-শাবগী মওং :**

চেঙ অদু শেংনা চামথোল্লগা চাক থোংলো অমসুং মুনফাৎত্রিঙৈদা মৈথক্তগী থাংথরো। খাং থাংগৎতুনা শাহল্লগা অচাথাউ হৈরো অমসুং থাউ মুল্লবকান্দা থোইদিং মরূ, হৱাই মায়রোংবী, মোরোক অকংবা অমসু করী পট্টা হাপচিন্দুনা ঙৌরো। থোইদিং মরূ অদু খরা-খরা পোকখায়বা হৌরকপা কান্দা তিলহৌ অশোইবা অমদি মোরোক অতেকপা অশোইবা হাপচিন্দুনা ঙাইহাক ঙৌরো। তিলহৌনা মচু ওল্লকপগা য়ুবী অশোইবা হাপচিন্দুনা মখা তানা ঙৌরো। অদুদগীদি থোংদোল্লবা চাক অমদি ফদিগোম মনা হাপচিল্লগা ওৎলো অমসুং মৈথক্তগী থাংথরগা ফোঙ-ফোঙ শানা চাবা য়ারে।

## [illegible]





### ব্যুটি দাইরিজ - মেক অপ





## মহৌশাগী পাম্বৈনা শেল চঙদনা শক ফজহনবা



মতমগী খোঙলৈ মতুং ইন্না অফবা মখলগী মমল তাঙল-তাঙলবা অকে-অমৌগী পোৎলম কয়া কৈথেলদা পুথোক্লরক্লে। অদুবু হায়রিবা পোৎলমশিং অদু লৈরুদ্রবসু ইশা-ইশাগী য়ুমদা লৈরিবা পোৎলম খরা শীজিন্নরগা শক ফজহনবা য়াই। হীরম অসিগা মরী লৈননা লৌখৎপা য়াবা অচম্বা থৌরাং খরা খঙমিন্নসি।

নুংশা মরক্তা কা-হেন্না চৎপা অমসুং ঈশিং নুংশিৎকী ফীভম হোংলকপা মরম্না ঙসিগী মীরোল-অয়াম্বা শমদোন পোকখায়বা অমদি শম দ্রাই ওইবগী অৱাবা মায়োক্লরি। অৱাবা অসি কোক্লবগী অচম্বা পাম্বৈদি খোইহী কপ তংখায় অমদা ওলিভ ওইল চামচ অনী অমসুং য়েরুম মমুৎ অমা হাপচিন্দুনা তোৎলগা শম থুংনা তৈদুনা পুংখায় অমরোম থমগদবনি। অদুদগী ঈশিং অচম্বনা হান্না থাদোল্লবা মতুংদা ময়াক থোইনা কন্দবা শেম্পু অমনা কোক তূমথোক্কদবনি।

থৌরাং অসি য়ামদ্রবদা চয়োল খুদিংগী অমুরক্তি শোয়দনা লৌখৎকদবনি। উনশা ফজনবগীদমক শঙ্গোমনা ঈরুজবা নৎত্রগনা ঈশিং টব অমদা ভিনেগর কপ তংখায় অমা য়ানশিল্লগা হকচাংগী শরুক পুম্বা ঙাইহাক তীংদুনা লৈগদবনি।

খুজিল চুবা কোকহন্নবগী অরায়বা পাম্বৈদি শুমদোল্লবা চম্প্রা মহীদা মিনিট মঙারোম খুৎশাশিং তীংদুনা থমগদবনি। খুদক্তা খুজিলগী মচু ফজরক্কনি। মায়গী শরুক হায়বসিনা খ্বাইদগী মরু ওইনা লৌনবা মরম্না মায়গী উনশা ফজনবগীদমক য়ুবী মহীগা শঙ্গোম অফম্বগা থীৎলগা মায়দা তৈগদবনি। ঙাইহাক লৈরগা ঈশিং অচম্বনা থাদোকপা মতমদা মায়গী ফজবা হেনগৎলক্কনি।

অতোপ্পা থৌরাং অমনা লফোই নৈখায়দুনা মায় অমদি ঙকশমদা তৈশিন্দুনা মিনিট ১৫ রোম থম্লগা ঈশিং অচম্বনা শেংনা থাদোক্কদনি। নুমিৎ খুদিংগী থৌরাং অসি লৌখৎপা তারবদি নুমিৎ খরনিগী মনুংদা মায় নানবা অমদি থোৎ-থোৎ লাউবা হেনগৎলক্কনি।

কনাগুম্বনা নুংশা মরক্তা তোয়না চৎপদগী সনবর্ন তৌবা তারবদি চপ মান্নবা চাংদা এলোভেরা অমদি খোইহী য়ানশিন্নরগা তৈশিন্দুনা মিনিট ২০ লোম থম্লবা মতুংদা ঈশিং অঙ্গংবনা থাদোক্কদবনি।

মায় ফজবা খক্তনদি মপুং ফাদবনিনা য়াগী ফীভমসু ফজনা থম্নবা হোৎনবা মথৌ তাই। য়া চুবা কোক্লবা অমসুং য়া ঙৌনবগীদমক চয়োল অমগী মনুংদা অমুরক্তি টুথপেস্টতা বেকিং সোদা খরা য়ানশিল্লগা য়া থিনগদবনি। মসি নৎত্রগনা নুমিৎ খুদিংগী কোমলা মকুনা য়াদা তক্কদবনি। মসিনা য়া ঙৌহন্নবগী মতাংদা খ্বাইদগী শেল চঙদবা পাম্বৈনি।

তঙাই ফদবা থৌদাংনি খন্দুনা নোংমগী মনুংদা ঙাইহাক-ঙাইহাক মতম কাইথোক্তুনা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎলবদতা ফজবা হায়বদু ওইরক্কদৌরিবনি।

## খঞ্জিল্লুদবা অচুম্বশিং

## পোলিও কদায়দগী অমুক লাকখিবগে



চহী ২ খরা হেনবমুক অফ্রিকাগী লৈবাক নাইজেরিয়াগী হেল্‌ঠ ওফিসলশিংনা পোলিও ভাইরসনা থোকহনবা পেরালাইসিসকী ইফেক্টশিং লৈবাক্তুদা অমত্তা উবা ফংদ্রে হায়বগীদমক সেলেব্রেসন পাঙথোকখি। মদুগী এচিভমেন্ট অদু লৈবাক অদুদা অমসুং মালেমদা মতম পুম্বগী ওইনা পোলিও মুখৎনবগী লম্বীদা থাংজিনবা অচৌবা খোঙথাং অমা ওইখি। মালেমগী ওইনা লৈবাক অনী হায়বদি পাকিস্থান অমসুং অফঘানিস্থানদমক লায়না অসি লৈরি, মপুং ফানা মুখৎপা ঙমদ্রি হায়না লৌনখি। তৌইগুম্বসুং নাইজেরিয়াদা পোলিওগী অনৌবা কেস অহুম লাউথোরকখিবগা লোয়ননা অদুগুম্বা নুংঙাইরবা সেলেব্রেসনশিং অদু লেপ্পা তাখি। অহানবদা ৱর্ল্ড হেল্‌ঠ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) ওগষ্ট ১১ দা অঙাং অনী পোলিভাইরসনা পেরালাইসিস থোকহল্লে হায়না ফোঙদোকখি। মদুগী মতুং চয়োল খরা লৈরগা নাইজেরিয়াগী নোর্থ ইষ্টর্ন ষ্টেট বোর্নোদা অহেনবা কেস অনীসু রিপোর্ট তৌখি। মসিগী ষ্টেট অসিদা নাইজেরিয়াগী শাথিরবা লালহৌবা গ্রুপ বোকো হরামগী বেজ ওই অমসুং গ্রুপ অসিনা পোলিও ইম্যুনাইজেসনগী থবকশিং চেল্লেঞ্জ তৌখি। হৌখিবা কুমজা ২০১৪ গী ওগষ্ট থাদগী চহী অসিগী ওগষ্ট থা মমাঙদা লৈবাক অদুদা পোলিওগী কেস অমত্তা রিপোর্ট তৌখিদে। চহী ১ গা মখা শাংথনা পোলিওগী কেস লৈরমদবা তারবদি ৱর্ল্ড হেল্‌ঠ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) না অফ্রিকাগী লৈবাক অদু পোলিও লৈত্রবনি হায়না লাউথোক্লম্বা য়াই। 'অসুক কুইনা সেলেব্রেসন তৌরল্লবা মতুংদা অনৌবা কেস খরা থোল্লকপগী পাউ অসিনা ঐখোয়বু ৰাহল্লে' হায়না দব্লিয়ু ঐচ ওগী অফ্রিকাগী রিজনেল দিরেক্টর মাটসিদিসো মোইতিনা মতমদুদা থোকপা ৰারোল অমদা হায়খি। অহানবা কেস অনীসু তোঙান-তোঙানবা লোকেসনশিংদা হায়বদি অমনা গৱোজাদা অমসুং অতোপ্পদুনা জেরেদনি। মফম মান্নদবা অসিনা ওফিসলশিংবু অহেনবা কেস খরগসু লৈরম্বা য়াই হায়বগী চিংনবা পোকহনখি।

হৌজিক নাইজেরিয়া গভর্ণমেন্টনা দব্লিয়ু ঐচ ওগা অমসুং গ্লোবেল পোলিও ইরাদিকেসন ইনিসিয়োটিভকা খুৎশম্নরগা সর্ভিলেন্স সিষ্টেমশিং ফগৎহন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা য়ুল্লোন্নবা লৈবাকশিং চাদা, নিগর, কেম্মরুন অমসুং সেন্ট্রেল অফ্রিকান রিপব্লিক পাক শন্না পোলিও ইম্যুনাইজেসন প্রোগ্রামশিং পায়খৎলি। হৌজিক য়াম্না মরু ওইনা পায়খৎলিবা থবক্তি পোলিওনা শোকহল্লবা এরিয়া অদুগী অঙাং অপুম্ববু য়াম্না থুনা ইম্যুনাইজেসন তৌবা অমসুং অতোপ্পা অঙাং অমত্তা মখা তানা কিনিংঙাই ওইরবা লায়না অসিনা নাদুনা শিহন্দবনি।

পোলিও কদায়দগী অমুক লাকখিবগে?

পোলিওনা শোকহল্লবা অঙাং অনীদগী লৌবা ভাইরস অদু জিনেটিক সিক্বেন্সিং তৌবা মতমদা কুমজা ২০১১ দা নাইজেরিয়াদা ইকোন কোন্না রিপোর্ট তৌখিবা ষ্ট্রেন নৎত্রগা টাইদ অমা য়াওরম্বা থেংনখি। মদুনা ষ্ট্রেন অদু চহী ৫ রোম মথি ফোঙদনা লমদম অদুদা সার্ক্যুলেট তৌরক্লি হায়বা উৎলি হায়না গ্লোবেল পোলিও ইরাদিকেল ইনিসিয়েটিভনা হায়রি। 'মসি দব্লিয়ু ঐচ ওনা লৌনিংঙাই ওই মরমদি অঙাংশিং শোকহল্লিবা ভাইরস অদু দিটেক্ট তৌবা ঙমদনা মতম শাংনা লমদমদুদা সার্ক্যুলেট তৌদুনা লাকখি' হায়না দব্লিয়ু ঐচ ওগী পোলিও ইরাদিকেসনগী দিরেক্টর ডা. মিচেল জফারননা হায়খি।

## মকোক থোংবা হোলিৱুদ এক্ট্রেসশিং

### নাটালি পোর্টমেন



কুমজা ১৯৮১ গী জুন ৯ দা পোকখিবী নাটালি পোর্টমেন অমেরিকা অমদি ইজরেলগী সিটিজন পূন্না ওইবা এক্ট্রেশনি। অপোকপগী মিং এভনর হর্শলেগ অমসুং অপোকপীগীনা শেলি ষ্টিভন্স কৌই। মখোয় অনী ওহাইয়ো ষ্টেট য়ুনিভর্সিটিগী জ্যুৱিশ ষ্টুদেন্ট সেন্টর অমদা ইহান হান্না থেংনবদগী নুংশিনরকখিবনি। নটালিনা ৱাশিংটন দি সিগী চার্লস ঈ স্মিথ জ্যুৱিশ দে স্কুল, লোং আইলেন্দগী জ্যুৱিশ এলিমেন্টরি স্কুল অমসুং ন্যু য়োর্ককী সোলোমোন দে স্কুলদা মহৈ তম্বা হৌরকখি। মতুংদা মহাক্না কুমজা ১৯৯৯ দা লোং আইলেন্দগী স্যোয়েট হায়স্কুলদগী গ্রেজুয়েট লোইশিনখি।

ন্যু য়োর্ককী অমেরিকন থিএটর দান্স ৱর্কশোপ অমদি উসদান সেন্টর ফোর ক্রিএটিভ এন্দ পর্ফোমিং আর্টসতা অনৌবা মতমগী জগোই খুৎথেক তম্লবা মতুং কুমজা ২০০৩ দা হার্ভার্দ য়ুনিভর্সিটিদগী সাইকোলোজিদা গ্রেজুএশন লোইশিনখি। মহৈ মশিং তম্বদা থোইদোক হেন্দোক্না থৱায় য়াওজবা নাটালিনা জেরুসলমগী হিব্রু য়ুনিভর্সিটিদা গ্রেজুএট কোর্স অমগসু তমথখি। তুংদা মহাক্না কুমজা ২০০৬ কী মার্চ থাদা কলম্বিয়া য়ুনিভর্সিটিদা গেষ্ট লেকচরর ওইখি।

মপুন্সিগী অহানবা ওইনা কুমজা ১৯৯৪ দা "লিওন: দ প্রোফেশনেল" দা মমা-মপা লৈজদ্রবা অঙাং অমগী শক্তম লাংদুনা ফিল্মদা খোঙদাবা হৌখি। অদুবু এক্ট্রেশ অমা ওইনা মীয়াম্না শকখঙবীখিবদি "ষ্টার ৱরস" গী ট্রিলোজিদা পদমে অমিদালাগী শক্তম লাংখিবদগীনি।

কুমজা ২০০৫ দা "ক্লোজর" দা মশক থোকপা পর্ফোমেন্স পীখিবগীদমক গোল্ডন গ্লোব এৱার্দ ফংখিবগা লোয়ননা বেষ্ট সপোর্টিং এক্ট্রেসকী কেটগোরিদা একাদমি এৱার্দকী নোমিনেশন ফংখি। কুমজা ২০০৬ তা "ভি ফোর ভেন্দেটা" দা কুমখিবগীদমক সেটর্ন এৱার্দ ফোর বেষ্ট এক্ট্রেস ফংখি। কুমজা ২০০৮ দা খ্বাইদগী নহা ওইবা জ্যুরি মেম্বর ওইনা ৬১ শুবা এন্যুয়ল কেন্স ফিল্ম ফেষ্টিভেলদা শরুক য়াখিবা নটালিনা ইহান হান্না দিরেক্সন পীখিবা ফিল্ম "ইভ" না কুমজা ২০০৮ গী ৬৫ শুবা ভেনিস ইন্টরনেশনেল ফিল্ম ফেষ্টিভেল হৌদোকখি। কুমজা ২০১০ দা সাইকোলোজিকেল থ্রিল্লর "ব্লেক স্বান" দা উৎখিবা পর্ফোমেন্স য়েংলগা মঙোন্দা একাদমি এৱার্দ, গোল্ডন গ্লোব এৱার্দ, স্ক্রিন এক্টরস গিল্ড এৱার্দ, বি এ এফ টি এ এৱার্দ অমদি ব্রোদকাষ্ট ফিল্ম ক্রিটিক্স এসোসিয়েশন এৱার্দ পীখি।

নটালিনা অহানবদা অমেরিকন ফোক শৈশকপা দেবেন্দ্রা বেনহার্টকা নুংশি-মরী থম্নখি। অদুবু মখোয় অনী য়াম্না কুইনদি লোয়নখিদ্রে। মথংদা মহাক্না বেলেট দান্সর বেঞ্জামিন মিলেপাইদকা অমুক নুংশিনখি। মখোয় অনী "ব্লেক স্বান" ফিল্ম নম্ফমদা থেংনখিবনি। বেঞ্জামিননা ফিল্ম অদুগী কোরিওগ্রাফরনি। কুমজা ২০১২ গী ওগষ্ট ৪ দা মখোয় অনী লুহোংদুনা মচানুপা অমা ফংজরে।